# সাগ গেমসতা বাস্কেটবোল য়াওহন্দবা

লৈশাথেম অজিৎ



**ইন্দিয়ান** হোকি ফেদরেসন হায়না খঙনরম্বা লৈবাক অসিগী হোকি শান্নবগী খ্বাইদগী চাউবা লুপ অসি অনী থোক্লা চিংখাইনদুনা হোকি ইন্দিয়া হায়বা অমগা ইন্দিয়া হোকি কৌবা অমগা তোঙান তোঙান চোংথোক্লরক্তুনা মতম কুইনা মুক্লদুনা লৈরুবদগী হোকি ইন্দিয়ানা মায়পাক্তুনা ইন্টরনেস্নেল হোকি ফেদরেসনা শক খঙলে, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনসু হোকি ইন্দিয়াবু অশেংবা লুপনি হায়না অয়াবা পীরে। অসুম্না শান্নবগী লুপ মনুংদা অনী থোক্তুনা শক্তি পায়নবা হোৎনবা অসিনা মশান্না কয়াদা মাঙ তাক্লবগী মশক অমা ওইরকই। থৌওং অসিমক মণিপুরদসু মণিপুর হোকি কৌবা অমগা হোকি মণিপুর কৌবা অমগা মুক্লবদা হৌজিক্কী ওইনদি হোকি মণিপুরবু হোকি ইন্দিয়ানা শকখঙবা লুপ ওইরে। হোকি ইন্দিয়া ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না মশক খঙবা লুপনি।

অসুম্না ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল ফেদরেসনসু অনী থোক্লা চীংখায়নরকপদগী অমদি ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না মায়কৈ অমরোমদা তোঙশিনবগী মমি উবদগী মালেমগী মশান্না অসিগী খ্বাইদগী চাউবা লুপ ফেদরেসন ইন্টরনেস্নেল বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন্না ইন্দিয়াগী ফেদরেসন অসি মশক খঙদ্রে মরম অদুনা গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা পাঙথোক্লিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন ফেদরেসন গেমস অসিদা মশান্না অসি দিসিপ্লিন অমা ওইনা য়াওহল্লবসু ফেদরেসন ইন্টরনেস্নেল বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন্না শকখঙদে, মরম অসিনা ফেদরেসন অসিনা গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাক অফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান, মালদিভস, নেপাল, ভুটান, বংলাদেশ অমসুং শ্রী লঙ্কাগী বাস্কেটবোল ফেদরেসনশিংদা গেমস অসিদা শরুক য়াদনবা পাউতাক পীখ্রে, মরম অদুনা থৌরম অসি গেমস অসিদা পাঙথোক্কনি হায়বা থাজদে।

বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বরশিংদি ষ্টেট এসোসিয়েসনশিংগী মহুৎ শিন্দুনা থারকপা ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি নৎত্রগা মখোয়না খন্দুনা মখোয়গী মহুৎ শিনবা মেম্বরশিংনি। কুমজা ২০১৫ গী মার্চ ২৭ তা ফেদরেসন অসিগী এনুয়েল জেনরেল বোদি মিটিং (এ জি এম) অমা বংলাদেশতা পাঙথোকখি। মথংগী নুমিৎ মার্চ ২৮ দা পুনেদা অতোপ্পা কাঙবু অমনসু ফেসরেসন অসিগী এনুয়েল জেনরেল মিটিং (এ জি এম) পাঙথোক্তুনা তোঙানবা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরিনচিংবা খল্লি।

অহানবগী এ জি এমগী মিটিং অসিদা কে গোভিন্দারাজ কৌবা, কর্ণাটাকাগী বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনি অমদি হান্নগী শান্নরোয়নি। মহাকপু হান্না বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট টর্ম অহুম ওইরম্বা আর এস গিলনা মতেং পাঙই। অনৌবা বোদি অসিনা হান্না চীফ একজিক্যুটিভ ওফিসর (সি ঈ ও) ওইরম্বী রুপেন শর্ম্মা কৌবী নুপী অমবু ফেদরেসন্দগী লৌথোকখি অমদি মহাক্কী মথংদা লৈবী প্রেম পাল হায়বী অমসু লৌথোকখি। কে গোভিন্দরাজবু প্রসিদেন্ট খনখিবা অসি ফেদরেসনগী কন্সটিট্যুসনগী নিয়ম মতুং ইন্না খনখিবনি হায়না হান্নগী প্রসিদেন্ট গিলনা হায়রি। মসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীহুৎ, কর্ণাটাকা লৈঙাক্কী মীহুৎ, ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেস্নেল বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন এসিয়াগী মীহুৎ লাক্তুনা য়েংশিনখি। মসিনা অচুম্বা মিটিংনি হায়না গিলনা হায়রি অমদি অনীশুবা মিটিং অমা পুনেদা মথংগী নুমীৎতা পাঙথোকখিবা অদুদি ইল্লিগেলনি আইনগী ৱাংমদনি হায়খি।

অনীশুবা মিটিং পুনেদা মথংগী নুমিৎ মার্চ ২৮ দা পাঙথোকখিবা অদুদা পুনম মহাজন কৌবা চহী ৩৪ খক্তা ঙাইরিবী অমবু প্রসিদেন্ট খন্দুনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবা প্রসিদেন্ট ওইরি অমদি লৈবাক অসিগী স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী মনুংদা প্রসিদেন্ট ওইবী অহানবা নুপীনি। মহাক বি জে পিগী এম পি ওইনা মুম্বাই নোর্থ সেন্ত্রেল কন্সটিট্যুশন্দগী কারকপনি অমসুং বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবী নুপীনি। মহাক মহারাষ্ট্রা বাস্কেটবোল এসোসিয়েশনগী প্রসিদেন্ট ওইনা ফেদরেশন্দা রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা লাকপনি। বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা এফিলিয়েট তৌবা য়ুনিট ৩২ গী মনুংদা ২২ দি পুনেদা তৌবা মিটিং অসিদা শরুক য়াই। মিটিং অদুদা ভোট থাদবা য়াবা মেম্বর ৬২ গী মনুংদা ৪০ দি শরুক য়াখি। মিটিং অদুদসু ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েশনগী মীহুৎ (বিরেন্দ্র ননাভাতি), ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীহুৎ ভিরেন্দ্র ভাদেদকর, ফেদরেসন ওফ বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন এসিয়াগী মগেশ্বারন সবাসু ওবজার্ভর ওইখি। অকোনবগী ওবজার্ভর অসিদি বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা মিটিংদসু শরুক য়াখি।

অসিগুম্বা শান্নবগী ফেদরেসন অমদা অনী থোক্লা চীংখায়নদুনা শক্তি পায়বা তান্নবদা রাজনীতিগী ওইনা মীচং চঙনরকপা অসিনা ৱাথোক চাওথোকহল্লি অমদি হেন্না কমপ্লিকেটেদ ওইহল্লক্তুনা ৱাফম অসি ইন্টরনেস্নেল ওলেম্পিক কমিটি অমদি ফেদরেসন ইন্টরনেস্নেল বাস্কেটবোল এসোসিয়েশন্না খূৎ থিংজিল্লক্তবা য়ারক্তবনা হৌজিক চথরিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা বাস্কেটবোলগী মশান্না য়াওহনবা য়ারোই হায়না ইন্টরনেষ্ঙ্গল বোদি অসিনা থিংলক্লি।

ন্যু দেল্লিদা লৈবা বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হেদ ক্বার্টরনা হান্না প্রসিদেন্ট ওইরিবা গিলনা তৌরিবা মওং অসি আইন্না য়াদে, অন কন্সটিট্যুশনেলনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অমদি আই ও এদা ইন্টরভেন তৌনবা হায়জখি। প্রসিদেন্টনা তৌরিবশিং অসি মহাক্কী ওথোরিটি লৈতে হায়না ৱাকৎলি। মসিদি মহাক্না ইমর্জেন্সি মিটিং অমা কৌগদবনি, জেনরেল বোদিগী অয়াবা লৌগদবনি হায়না রুপা শর্ম্মা কৌবী সি ঈ ও ওইরিবী অসিনা হায়। মরম অদুনা কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না রুপা শর্ম্মনা মহাক্না হায়বা লৌগদবনি হায়রি। মহাক হান্না ফেদরেসন বাস্কেটবোল ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরিসি হরিস শর্ম্মগী নুপীনি। মহাক অনৌবা ফেক্সন অমগী প্রসিদেন্ট পুনম মহাজনগী মরু ওইবা সপোর্টরনি। অয়মাবা অনী থোকহনবগী থৌরাঙ অসি মহাক্লা মরু ওইনা শীনবনি হায়না লৌনরি।।

# মৈতৈ খুন্নাইদা বৈষ্ণব লাইনীংনা পীবা ঈথিল

য়াইপুবা সেরাম



**মণিপুর** হায়না খঙনরিবা, চীংলোন কয়ানা কোয়শিনবা, খা ৱাংদা ময়ুংনা ঙম্বা, নোংপোক নোংচুপ্তা মরাক্লা নৌবা, ইথা থাজদবা মওংদা ময়ায় চবুক্তা নীংথিরবা তম্পাক অমা লৈরিবা, লমদম অসিগী পাক চাউবা বর্গ মাইল ৮,৬৩৪ (বর্গ কি মি ২২,৩২৭) রোমনি, মসিগী মনুংদা তম্পাক্কী শরক্লা বর্গ মাইল ৭০০ (বর্গ কি মি ১,৮১০) রোমতনি। থায়নঙৈ মতমদগী হৌনা লমদম অসিদা নোংপোকলম চাইনা, থাইলেন্দ, লাওজ, বর্ম্মানচিংবা মফমদগী লোয়নন্না, নোংচুপলম বোরো, সাক্য, কছার, তখেল, তেখাউনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমদগী ইতিহাসকী তাঙ্কক কয়াদা মীওই কাঙলুপ কয়া মফমসিদা লাক্তুনা খুন্দথখি অমদি ফাওদুনা চংখিবগী ৱারোল কয়া অরিবা মৈতৈগী পুয়াশিং অমদি বৃটিশশিংনা ইরম্বা লাইরিকশিংদা মরীক চুম্না য়াওরি।

অদুবু অখণ্ড অহৈশিংনা য়ান্নরবা ইতিহাসকী তাঙ্কক হৌবদি নোংদা লাইরেল পাখঙবনা মণিপুরগী সনা পুঙমায়োল কংলাদা পানবা মতম, খৃঃ গী অহানবা চহীচা অসিদগীনি হায়বা য়াই। তোঙান তোঙানবা মফমদা মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বা মতু ইন্না লাইনীং লাইশোন, লীচৎ শাজৎ তিন্নদবা কাঙলুপ কয়া মচিমচিনা লৈজরবসু, মরু ওইবা কাঙলুপ তরেৎথ মীওইশিংবু য়েক/শলাই হায়না খঙনদুনা শলাইশিংগী নিংথৌ (লুচিংবা) অমমম, তম্পাক্কী লমদম অসি তরেৎ থোক্লা খায়দোক্তুনা মনিংতম্না পান্নরম্বগী ৱারীসু লৈরি। অদুগা খৃঃ গী অহানবা চহীচাদা পানখিবা নিংথৌ পাখঙবা অমদি মহাক্কী মচা মশুশিংনা লৌশিং হেনবা, থৌনা লীংজেল হেনবদগী মতমগী মতুং ইন্না য়েক তরেৎকী মীওইশিং অসি নিংথৌজা হায়না খঙনরিবা কংলাদা পানবা য়েক/শলাই অসিগী মখাদা লৈখি, লোয়ননা মণিপুরগী চীং অমগী মীওই কাঙলুপ পুম্নমক কংলাদা পানবা মৈতৈ নিংথৌ হায়না খঙনবা নিংথৌজা নিংথৌগী মখাদা লৈরকখি অদুগা লোয়ননা য়েক তরেৎকী মীওইশিংবু মৈতৈ হায়না খঙনবা হৌখি।

থায়নঙৈ মতমদা লৈবাক অমা মরা তপ্পা লীংজেল মায়না, কল-থৌনা, চাউখৎনা পানবা তারবদি, ৱায়েল থৌদাগী মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক অসি লাইনীংগী অপুনবা লীপুন অসিনা ওইরম্মী। মৈতৈ নিংথৌগী মখাদা লৈদুনসু লাইনীং লোন্দদি য়েক/শলাইগী খেন্নবা লাইনীং লাইশোল চৎনরম্বগী খুদম কয়া লৈরি। খুদম ওইনা অঙোম য়েকচাশিংনা ইবুধৌ পুরৈরোম্ববু, মোইরাং য়েকচাশিংনা ইবুধৌ থাঙজিংবু, লুৱাং য়েকচাশিংনা লুৱাংগুম্বা পুন্সিববু মপুং ওইনা নিঙনরম্মী। অসুম্না তোঙান তোঙানবা য়েকচাশিংনা মবুধৌ মবেনথৌশিংবু লাৎনরম্মী। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মফমদা উমংলাই ৩৬৪ রোমসু ঈরাই ৎহৌনি তৌদুনা, লাইনীং লিচৎকী থবক্তা খেন্নবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লদুনা অমত্তা ওইবা লীচিং পথাপ অমগী মখাদা লৈবাক ঙাকপদা অপনবা কয়া থোক্লম্মী। অসিগুম্না খুদোংচাদবা কয়া অসি কোক্লনা নিংথৌ খাগেম্বগী (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) মতমদা লাইনিংথৌ সনামহীগী কোলু (মুর্ত্তি) শাদুনা মৈতৈ পুম্নমক্কী অমত্তা ওইবা লাই ওইনা লাৎপা অমদি নীংবা হৌনবা অচৌবা খোঙথাং অমা লৌথৎলম্মী অদুবু মপুং ফানা মায় পাকপগী ঙমখিদে হায়না লৌবা য়াই।

মতুংদা খৃঃ গী চহীচা ১৮ শুবগী অঙনবা শরক্তা শ্রীহট্টদগী (বংলাদেশ) ধর্ম্ম শন্দকপা লাকখিবা শান্তিদাস গোসাইনা মৈতৈ নিংথৌ পামহৈবা (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮) মথৌনা মরিংজেলতনা অৱাগী নিংথৌবু অহুম্নক মায়থীবা পীখিবা, লোয়ননা তখেল নিংথৌবুসু মায়থীবা পীখিবা - 'অৱাঙম্বা' অমসুং 'তখেলঙম্বা' হায়বা মীংথোল ফংহনবা নিংথৌ অসিনা মরৈবাক খুন্নাই অসিবু পুকচেল খোয়জেল অমদি লীংজেল মান্নবা অপুনবা লাইনীং লিচৎ অমগী মখাদা থমদুনা হেন্না চাউখৎ খোঙথাং য়াঙশিনবা লমদম অমা ওইহনখিবগী ৱাফমল্লোয় থৌগাই ওইদুনা, পাখঙবদগী শুরোল অমা ওইনা য়েক/শলাই তরেৎকী নিংথৌশিংবু মপাম্নম মপাঙ্গল্লম্নম মখাদা থমদুনা লৈঙাকতবসু, চীংবৈরোইশিংবু লাকশন্দুনা থমদুনসু, মখোয়দা মশা মশাগী অপাম্বা অনীংবা লাইনীং লাইশোলশিংগী মখাদা মবুধৌ মবেনথৌশিংবু খ্বাইদগী লুনা খনজনা, অসুম্না তোঙান তোঙানবা লাকপনগা, নিংথৌ খাগেম্বগী মতমদগী হৌনা লাইনীংথৌ সনাহনবী কোলু শাদুনা অপুনবা শক্তম অমা পুরক্লনা হোৎনরম্লবস চপ চাবা অপুনবা লাইনীং লিচিং অমদি পীবা ঙমদনা লাকপদুগী নুংনাংবা কয়া মশাগী থস্ময়নুংদা লৈখিবা, লোয়ননা মপাবু চাইরোংবনা মশানা পামজনা রাইবন মালিদা লাইনীং লৌদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মুর্ত্তিবু সেবা তৌজদুনা মশাগী পামজবা ইষ্টদেবতা ওইনদমক লাৎখখিবা, মরমশিং অসিগীসু মথক্তা তন্ত্র শাস্ত্র অমদি ধর্ম্ম শাস্ত্র অনীমক্তুনা মরীক চুম্না খঙহৈদুনা লাকখিবা গোসাই অসিনা, নিংথৌবু মরুপ ওইনা লৌনা লানফম কয়াদা লোয়নদুনা অমদি থৌরোক কয়াদা চংশিন্নদুনা, নুংশিনরকপা অমদি থাজনরকপা অমসুং লৈবাক অসিগী তুং কোইনা য়াইফগদবা লাইনীং লিচৎ অনৌবা অমা হোংদোক্তুনা অমত্তা ওইবা অকনবা খুৱাই অমা ওইনবা, (মতমদুনদি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌদুনা) মপাবুসু চাইরোংবনা শ্রীকৃষ্ণকী মখোং, সনা লম্বাগী নিংথৌ লৌদুনা মখোং, সনা লম্বাগী নিংথৌ রাবন হায়বা, লাইয়ামশিংবুসু মহাক্কী য়াথং মখাদা থম্বা ঙমখি হায়নরিবা ফংত্রবা হিংচাবা নিংথৌ অদুবু, অচৌবা লীরুঙ্ তনবা শ্রীবিষ্ণুগী অধতারনি হায়নরিবা অচুম্বা অমদি অশক্তবী মুর্ত্তি ওইরিবা শ্রীরামচন্দ্র প্রভুবু, নিংথৌ মশা মথন্তগী নত্তনা লৈবাক মীয়াম পুম্নমকপুসু মশা মশাগী অনীশুবা লাইনীং লিচৎ থাদোকহন্দুনা অমত্তা ওইনা নিগুলহলদবদি, চাউখৎপা, মরা তম্বা, হেন্না মতিক ময়ায় লৈবা খুৱাই অমা ওইগনি হায়না তক্তবা গোসাইনা তক্লদুনা লাকপদগী মহয় ওইনা কুমজা ১৭৩৭ তা মণিপুরগী প্রজা পুম্নমকপু হান্নগী অরিবা লাইনীং লিচৎ থাদোকহন্দুনা রামানন্দি ধর্ম্মবু লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইরবা লাইনীং ওইনা লৌদুনা নিংথৌ অমদি মীয়াম্না লিলোংগী তুরেল অচৌবগী ঈরোঙদা নোংমৈ ইকপুদুনা, ৱাশক পরৈ তৌনদুনা, হিন্দু লাইনীং চৎপা খুৱাই অমা ওইনা লাইমিং লৌখিবা অমদি লুপ্তন থাংবা হৌখিবা মতম অদুদগী হৌজিক ফাওবা চহী ২৭০ রোম অসিদা হোংলকখিবা য়াওলশিং অদুবু মৈতৈ খুন্নাইদা হিন্দু লাইনীংনা পীবা সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী তোঙান তোঙানবা শক্তমনি হায়না লৌবা য়াই।

রামানন্দি ধর্ম্মদা লাইমিং লৌরবা মতুংদা খুন্নাই অসিবু নুং-পান তূনা হোংহনবা থৌরাঙ কয়াসু তৌরকখি। অহানবক্তদা লৈবাক অসিগী মমিং মেখলে, মুগলী, কথে হায়না য়ুমথংনবা লৈবাকশিংনা কৌনরম্বা লোয়ননা কংলৈপাক, মুৱাপালী সনালৈবাক হায়না মৈতৈ খুন্নাইনা কৌজরম্বা মমিংশিং অদু পুমহোং হোংদোক্তুনা 'মণিপুর' হায়না শান্তিদাস গোসাইনা মীংথোনখি। লোয়ননা নিংথৌ পামহৈবসু মহারাজ গরিবনিৱাজ হায়না মীংথোল পীখি। মৈৱাবাকী হান্না লৈজরম্বা য়েক তরেৎপুসু গোত্র হায়না ওন্থোক্তুনা সংস্কৃত মমিংদা থোক্লম্মী। খুদম ওইনা নিংথৌজাবু শান্দিল্য গোত্র, অঙোমবু কৌশিক গোত্র, খুমনবু মধুকোইলা গোত্র অসিনচিংবনি। লমিৎ তুমিৎকী লমদসু হান্না খঙনরম্বা মরু ওইবা চাং, তুরেলশিংগী মমিংসু সংস্কৃত লোন্দা ওন্থোক্লম্মী। খুদম ওইনা - নোংমাইচিংবু নীলকণ্ঠগীরী, কৌসুচিংবু কৌমার পর্ব্বত লোয়ননা ইম্ফাল তুরেলবু বীজয়া নদী অসিনচিংবনি। তাঙ্কক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা কাউবা য়ারোইদবা নুঙাইতবা থৌদোক্তি মৈতৈগী পারী পুরী থায়নঙৈ হাক্তক্তগী হৌনা তৎনবা থানবা লৈতবা লাকখিবা লাইনীং লাইশোনগী, চৎন-পথাপকী, ৱায়েল থৌদাগী ওইবা মরিক মূলশিং থন্নকপা খুৱাই কয়া, গোসাইগী থৌইনশিংদগী নমফু হাফুদা, নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না খোমগৎতুনা কংলা উত্রা মমাঙদা চকু মরি য়ুংদুনা থৌরি লীরেল লোন্দুনা মমল য়াম্নবা পুয়াশিংদুবু উৎ তাঙ্গাই তানা মৈ থাদোকখিবা অদুনি হায়বা য়াই। তৌবদুদি থৌদোক অসিগা য়াম্না মান্নবা কয়া চাইনা, টর্কিনচিংবা মফমশিংদসু অনৌবা লাইনীং লীচৎ অমা হোংদোকপা মতমদা থোকখিদবা নত্তে।

হিন্দু লাইনীং চৎলবা মতুংদগী মৈতৈশিংনা হেক পোকপদগী শিবা ফাওবদা চৎকদবা চৎন-পথাপ কয়া হান্না চৎনরম্বা অদুনা য়ূম্ফম ওইরগা মথং মথং শেমদোক শাদোকপা হৌরকখি। মতাং অসিদা য়াম্না মরু ওইবা অহোংবদি শিবগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদনি হায়বা য়াই। লাইনীং অসি চৎলবা মতুংদা গরিবনিৱাজ মহারাজনা কংলাগী মঙলেন্দগী মবুধৌ মৈতৈ নিংথৌশিংগী লুশিং (শরুশিং) লৌথোক্লগা নিংথি তুরেল খোংবান্দা মৈ থাদুনা পোৎলোয়বগী চৎনবী হৌদোক্তুনা মৈতৈশিংনা শিরগা মপুং ওইনা মালেম লৈদা ফুম্নরম্বগী চৎনবী অদু মুত্থৎখি। লোয়ননা শিখ্রবা মী অদুগী মথৌ মঙম পাঙথোকপা ওইনা তরুকনি শুবদা অষ্ঠি লৌখৎপা, নুমীৎ তরাহুমদোই/তরামরিনি চনবদা শোরাৎ শোনবা অদুগা চহী অমা হেক ফারকপদা ফিরোই তৌবগী চৎনবী অদুগা হান্নগী চৎন-পথাপকা য়াম্না তৈনরম্মী। হান্না চৎনরম্বা শিবগী থৌরমদি হৌজিক অরিবা লাইনীং চৎপা চকপা খুঙ্গংশিংদা নৎত্রগা খৃষ্টান লাইনীং লৌদ্রিবা কবুই খুন্নাইনা তৌনরিবা চৎনবী অসিগা য়াম্না নক্লনা পাঙথোক্লম্বগী ৱারম কয়া অরিবা লাইরিকশিংদা য়াওরি।

মীওইবগী পুন্সিগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা অহোংবা কয়া লাকখিবদা নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা হরাও কুম্মৈ কয়াদসু হিন্দু লাইনীংদা অকনবা ইথিল পীদুনা অহোংবা কয়া পুরকখি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী (খৃঃ ১৭৬৩-১৭৯৮) হাক্তক্তা শ্রীগোবিন্দগী মুর্ত্তি শাদুনা বঙ্গলা লৈবাক্তা চৈতন্য মহাপ্রভুনা হৌদোক্লম্বা গৌরিয়া বৈষ্ণব সমপ্রদায়গী অয়ৌবী লাইনীং লাইশোন, নাম সংকৃর্ত্তন অমদি রাধা কৃষ্ণ অনীগী জগোয় রাসকী অনৌবা তান্থাগা ইরোয়ননা লাকখিবা গৌরিয়া বৈষ্ণব লাইনীংগী অচৌবা ইনোৎ অদুবুদি মতমদুদা মৈতৈ খুন্নাইগী অয়াম্বা শরুক্লা থৱায় তানা লৌনখি হায়বা য়াই। মতাং অসিদদি নমফু হাফুগী মওং লৈখিবগী খুদম থোইনা লৈখিদে। লোয়ননা মতম অদুদা লৈরম্বা লমদম অসিগী অইবশিংনা হিন্দুগী ওইবা মরু ওইবা লাইরিক লাইশু কয়া মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লখি, চৎন লোনচৎ কয়াসু থৱায় তানা লৌনখি। ময়াঙ লৈবাক্তগী ব্রাহ্মন পুরোহিট কয়াসু লমদম অসিদা মথং মথং লাক্তুনা অনৌবা ইনোৎ কয়া ধর্ম্মদা, সংস্কৃতিদা, কলাদা, রাজনীতিদা হাপচিনবা হৌখি। তশেংনমক গৌরিয়া বৈষ্ণব লাইনীংগী অচেৎপা য়ূম্ফম অমা মণিপুরদা থোনখিবদি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজননি হায়বা য়াই। মজা ইবেম্মা বিম্বাবতিসু মপুন্সি চুপ্পা শ্রীগোবিন্দদা কৎথোক্তুনা ময়ূম মকৈ পানখিদে। লৈবাক্লা মহাকপু 'শিজ লাইওইবী' হায়না খঙনখি। মহারাজ মশামকসু শ্রীগোবিন্দদা মশামক্কী সিংহাসন কৎথোক্তুনা মনাই অমা ওইনা লৈবাক ঙাক্লম্মী। শ্রীগোবিন্দ শাবা থৈবোঙ অদুগী অতোপ্পা শরুকশিংনা তোঙান তোঙানবা মুর্ত্তি তরুক (বীজয় গোবিন্দ, নীত্যাইনন্দ, মদনমোহন, গোপীনাথ, অবদৈত্য, অনুপ্রভু) অমসু শাহন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাৎহনবা হৌখি। সনা কোনুংদা শ্রীগোবিন্দগী সেবা মপুং ফানবা লোয়শঙ কয়াসু লিংখৎলম্মী। মতম অসিদা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা চৎনরিবা নট সঙ্কিতনগী মওং অসিবু হৌদোকখি। মণিপুর মশাগী ওইনা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরম্বা লাই হরাওবগী জগোয়, থাঙ তাগী থেঙ্গৌরোল, ঔগ্রী খেনচোগী শৈশকশিং কয়া অদু মতমদুগী অখণ্ড অহৈ ওজা গুরুশিংদা শীন্নদুনা তোৎশন য়ানশন্দুনা য়াম্না মপুং ফানা শ্রীগোবিন্দগী অভিষেক (খৃঃ ১৭৭৯) তৌবা মতমদা নুমীৎ মঙানি চুপ্না রাধা কৃষ্ণগী বৃন্দাবন লীলাশিং অদুবু 'মণিপুরী রাস' হায়না মীংথোন্দুনা অনৌবা জগোয় মখল অসি পুথোকখি। মণিপুরদতা নত্তনা অৱাং থংবা বেঙ্গলদা মতম খরা শিথরুরবা গৌরিবা বৈষ্ণব সমপ্রদায়বু অনৌবা ইনোৎ অমা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পীরমখি হায়নসু থাজনৈ।

বৃটিশনা মণিপুরবু লৌশিল্লবা মতুং, চুড়াচান্দ মহারাজনা (খৃঃ ১৮৯১-১৯৪১) পানবা মতমদা মতমদুগী ব্রাহ্মসভানা লৌখৎলম্বা মরিং মরাংবা কা হেনবা হকচিনবা থবক থৌরম কয়ানা মীয়ামগী থম্মোয়দা গৌরিয়া বৈষ্ণব লাইনীংবু শীংননিংলকপগী মচাক ওইহনখি হায়বা য়াই। খুদম ওইনা চন্দোল শেলখায় লৌবা, মাংই হায়দুনা ইন্থোকপা, অদুগা শেল য়াম্না লৌরগা অমুক শেংদোকপা অসিনচিংবা মীওৎ মীনৈগী কা হেনবা থবক কয়ানা মরম ওইদুনা মোং হাদনা ইংনা তপ্না ঐঙোন্দসু লানবীরক্নু মীঙোন্দসু লানজরোই হায়না লৈজদুনা অশেংবা বৈষ্ণব ওইজরম্বা মৈতৈ খুন্নাই, মরু ওইনা বৃটিশশিংনা নোংচুপকী এদ্যুকেশনগী মঙাল ফংহল্লম্বা অনৌবা মীরোলনা হৌদোক্তুনা লাইনীংগী মীংদা নমফু হাফু তৌবা নিংথৌগী থৌশিল অদুবু শীংনদুনা হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা অকনবা শাফু অমগা লোয়ননা হৌরকখি। মসিগা ইরোইননা গৌরিয়া বৈষ্ণব লাইনীং অমদি সংস্কৃতিদা খ্বাইদগী চাউনা শীংনবা হৌখিবদি খৃঃ ১৯৪০ গী অদুৱাইদা কছারদগী সনামহী লাইনীংগী (মীতৈ মরুপ) অকনবা ঈহৌ অমা নাওরিয়া ফুলোনা (মীয়াম্না ফুন্দ্রে হায়নসু খনবা) লুচিংদুনা হৌরক্লগা মণিপুর তম্পাক য়ৌরকখিবা অদুনি হায়বা য়াই। ঈহৌ অসিনা হিন্দু ধর্ম্ম অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা থবক থৌরম কয়াগী ওন্ন তৈনবদা মৈতৈগী পারী পুরীনা চৎনরম্বা লীচৎ শাজৎ, লাইনীং লাইশোল চৎনবী হৈনবীনচিংবগী পথাপ কয়া ইনৌ নৌনা থিগৎতুনা, হৌদোক্তুনা অমদি শেমগৎতুনা চহী চনী হুম্ফুতরা রোম হেন্না চেন্থরক্লবা হিন্দু লাইনীংগী ঈচেল অসিদা য়েখায়বা অমদি অপনবা পীদুনা শীংনবা হৌরকখি। মসিনা মরম ওইদুনা মৈতৈ খুন্নাইগী মরক্তা অনৌবা ৱাহং কয়া থম্মোয়নুংদা হংনবা হৌরকখি। লোয়ননা মশাগী অশেংবা মশক খঙনীংবগী, উৎনীংবগী ঈহৌ অমসু লাকখি। ঈহৌ অসিমক্লা মণিপুরদা গৌরিয়া বৈষ্ণব (হিন্দু) লাইনীংগী শক্তম কায়হনবমক নৎত্রগা হোংহনবমক নৎত্রবসু মৈতৈ বৈষ্ণবশিংগী পূক্লিংদা তয়াং তশোয়বা ৱাখল অমদি পোকহনবা হৌখি হায়বা য়াই।।


# বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন্না অঙাংশিংবু থৌশাবিদবা


**ঙসিদগী** চহী ২০ মুক্কী মমাঙদা ষ্টেট অসিদা লৈরম্বা প্রিন্টিং টেক্নোলোজি অদুদগী ফনা য়াম্না অহোংবা লৈরে। ওফসেট প্রিন্টিং লাকপদগী লাইরিক পুথোক্লবগী চাংসু ৱাংখৎলক্তুনা হেন্না ফজবা পোৎথোক পুথোক্লবা প্রেস অমগা অমগা কম্পিট তৌনবা উরে। ইমপ্রেসন্দা, গেটঅপতা করম্না ফজহনগদগে হায়বগী ৱাখল থাদনরে। ব্লেক এন্দ হ্বাইটতা নম্বদগী হৌরগা কলর নম্বা ফাওবদা কষ্টমরনা পান্নিবা রিজল্ট অদুমক পীবা ঙম্বা প্রেস ফনা য়াম্না ইম্ফালদা লৈরে। লোয়ননা থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুরনচিংবদা শীংথাবা য়ানা থবক তৌরবা ওফসেট প্রেস লৈনরে। মসিগীসু মথক্তা নোংমা নোংমগী অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি মেছিন কয়া হাপকৎনদুনা কষ্টমরশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। অসিগুম্বা মতাং য়ৌরবা মতমসিদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন্না অঙাংশিংগী তম্নবা লাইরিক পুথোকপদা আ থায়নগী ছাপা নল্লিঙৈ মতমদুদা হঙ্গৎনা চৎখৎতুনা নম্বগা চপ মান্নরবা লাইরিক পুথোরক্লে।

লাইরিক্কী টেক্স মরক্তা মওং মরিল তাদবা লাইয়েক অমসুং ফোটো কয়া হাপচিন্দুনা বোর্দ অসিনা অঙাংশিংগী হৈনিংবা মাঙহনগদৌরে। অঙাংশিংগী মীৎনা মতম চূপ্পদা য়েংনিংলিবসি মখোয়না অমুক্তা উখিদ্রিবা, য়েংবদা ফজবা অমসুং ঙক্লা থোকপা পোৎশক নৎত্রগা শক্তম অদুনি। মখোয়না য়েংনীংলোইদবা নৎত্রগা করিনো হায়বা শুকখঙ খঙলোইদবা পোৎশক নৎত্রগা শক্তমদদি থোইনা পূক্লিং চীংশিনবা ঙমদে। মীৎয়েং অসিদনি অঙাংশিংনা তম্নগদবা লাইরিকশিংদা চহী অমসুং থাক্কী মতুং ইন্না পূক্লিং লৌশিং ওইহনবদা মতেং ওইগদবা অয়েকপা লাই অমসুং ফোটো হাপ্লিবা। হাপ্লিবা লাই নৎত্রগা ফোটো অদুনা তমগৌদরবিা পাড়া অদুগী শরুক খরদি মাঙজৌননা খঙহনবা ঙম্মী। লৈবাক্কী মশক নাইরবা মীওই , তোঙান তোঙানবা মশান্না, বিজ্ঞানগী পোৎলম্নচিংবা কয়া মশক খঙহনবা ঙম্মী। এন সি আর টিনা অঙাংশিংগী পুথোকপা লাইরিক কয়া ঐখোয় থেংনরে। লেসনগী ৱাদি থম্বু থমখ্রসি, নম্বদা অমসুং মরী লৈনবা লাইয়েক অমসুং ফোটো হাপ্পদা ওন্থোক্লা চেকশিন্না তরু তনান্না হোৎনবগী মমি তাই। লাইরিকশিংদু অঙাংশিংনা পাদ্রিঙৈদা থল্লিবা লাইশিং অমসুং ফোটোশিং অদু য়েংবতদা নুংঙাইজবা অমসুং খঙনীংবা পোকহল্লি। অদুবু বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুরনা পুথোক্লিবা লাইরিক অয়াম্বদি নীংবা কায়নিংঙাইনি। নমগদৌরিবা প্রেস অমদা হেক শীন্নখিবা নুমীৎতগী ওফিসিএল অমত্তনা হন্না য়েংলুদবগী অচৌবা মমি তারি। খুদম ওইনা মীতৈ ময়েক্তা পুথোক্লিবা 'মণিপুরী লাইরিক লাইশু' মহৈগী থাক - ৪ হায়বদি ক্লাস ফোরদা তম্নবা লাইরিক অসিমক য়েংবা য়াই। লাইরিক অসি হোলিৱুদ প্রেস, খাঙবোক বজার, থৌবালদা নম্বনি। মশীং ১২,০০০ পুথোক্লিবা লাইরিক অসিগী মমলনা লুপা ৫০ নি। ষ্টেট অসিদা মীতৈ ময়েকপু মপুং ফানা চৎনহন্নবগী পান্দম মখাদা মহৈরোয়শিংদা মীতৈ ময়েক তমহনবগী খোঙথাং চহী ফানা য়াম্লক্লে। লৱার ক্লাসতগী মথং মথং তমখৎলক্তুনা ঙসিদি সেকেন্দরি লেভেল য়ৌরে। মতাংসিদা হংদবা য়ারক্ত্রিবদি ফৎখিদ্রবা চেদা ময়েক শেংদনা মমি শামি নল্লিবা লাইরিক ময়েকশিং অসি অঙাংশিংনা পানিংগদরা? হাপ্লিবা অয়েকপা লাই অমসুং ফোটোশিং অসি অঙাংশিংদা ইনোৎ পীবদি লায়রদুনা করিনো হায়বদু খঙহনবা ঙম্লগদরা। অঙাংদি লায়রদুনা লোইশঙ অসিদা থবক তৌরিবা মীওই অমতনা লাইরিক অসি ঐখোয়না পুথোকপনি হায়দুনা ফাক্লগা য়েংনীংগদরা। লাইরিক অসি অঙাংশিংনা চহী অমা ফানা শীজিন্নবা য়াগদরা ?









অসিগুম্বা ৱাহং কয়ানা লাইরিক্কী লামায় খুদিংদা চেন চোংদুনা শান্নরি। বোর্দনা লাইরিক অসি নিয়মগী মতুং ইন্না পুথোকপা ক্বালিটি মেন্টেন তৌরবা লাইরিক্লি হায়বা ঙম্বীগদৌরিব্রা?

বোর্দ অসিগী লাইরিক নম্বদা চৎনগদবা গাইদ লাইন লৈফম থোকই। টেক্সকী মথক্তা করম করম্বা অয়েকপা লাই অমসুং ফোটো কয়া য়াম্বা শরুক কন্দুনা (সাইজ) হাপকদগে লেসনগী অমসুং করম্বা ক্বালিটিগী চেদা নমগদগে হয়বগী গাইদ লাইন শোয়দনা লৈরমগনি খল্লি। অদুবু লাইরিক অসি নল্লিবা চে, হাপ্লিবা লাইশিং অসিদি গাইদ লাইনদগী নাথৈদুনা চৎখিবগী মমি চাউনা তারি। ইন্দিয়া অপূম্বগী ওইবা নুপীগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফাওবা মহাক্কী মমিংদা চথরিবা ফ্রিদম ফাইটর রাণী গাইদিনলিয়ু অমসুং লমদম অসিগী নাৎপু শাথিনা করেম্নরে। ওইথংবগী অহানবা লাই অসিবু রাণী গাইদিনলিয়ুনি হায়বসিবু করম্বা অঙাংনা খঙগদৌরি? লামায় ৫১দা অমদি লমায় ৯৪ দা য়াওরিবা লাই (ওইথংবগী মখা অমসুং য়েৎথংবগী মখা)শিং অসিনা ফোঙদোক্লিবা অদু করিনো হায়্' হংলিবসি লাইসি য়েংলগা অঙাংশিংনা করি খুমগদৌরি। মণিপুর অসিবু অহৈবা লাই য়েকপা আর্টিষ্ট অমতা লৈত্রবরা? লাইরিক নম্নবা অফবা চে ফংদ্রবরা, ফজনা নম্বা হৈবা প্রেস অমতা লৈত্রবরা অঙাংগী লাইরিক করম্না পুথোক্কনি হায়বসি। বোর্দনা খঙদ্রগদি লমসিদা খঙ হৈরবশিংদা হংবা চুমগনি খল্লি। ক্বালিটি এদ্যুকেশন হায়বসিদা ক্বালিটি প্রদক্সন হায়বসিদি য়াওদবরা। বোড়া নাকন্দা য়েপ্তুনা লাইরিক তম্বা চৎনরিঙৈ মতমদা তম্নখিবা লাইরিক অদুনবু হেন্না ক্বালিটি লৈ হায়বদা বোর্দনা নিংদোন পোম্নিংঙাই করিবু লৈরিবগে। ঐখোয়গী অঙাংশিংবু নুংশিবা হায়বসিদা মখোয়না তমজগদৌরিবা লাইরিকশিং নীংথিনা পুথোকপিবা হায়বসি য়াওফম থোকই। অঙাংবু মহৈ তমহনবগী লম্বীদা নারোন্দা শেল তানবগী মহুৎ গাইদ লাইন ইনবা লাইরিক পুথোক্লবা বোর্দনা হোৎনবীবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরে।।

—লোয়াঙানবা মঙাং